# চীফ মিনিষ্টরনা নেসনল স্কুল গেমসকী ফেন্সিং মশান্না হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ
নেসনল স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী থা অসিগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮গী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ফেন্সিং মশান্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হৌদোকখ্রে।

টিম ১৯গী ফেন্সিং শান্নরোয় ৭৩০না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৬৪শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৮গী চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ফেন্সিং মশান্না হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি বোবি ৱাইখোম (আই এ এস), স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওবজার্ভর সঞ্জয় গৌতমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এন বিরেন্না হায়খি, স্পোর্টসনা লৈবাক অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু তুংগী পুন্সিদা অফবা মীওই অমা ওইনবা হোৎনবদা চাউরবা পাম্বে ওইরি। শান্ন-খোৎনবনা মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াবু অমত্তা ওইনা পূনশিনবা ঙমহল্লি। মশান্না খুদিংমত্তা শান্নরোয়শিংনা হোৎনবা কনবা, লমচৎ শাজৎ অমদি ওজাবু থকসি-খাসি লৈনা হোৎনরবদি তুংদা লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙমগনি। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস পৱার হাওসনি। মমাঙগী হৌখিবা কম্মনৱেলথ গেমস অমদি ইন্টরনেসনল অমসুং নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন কয়াদা ষ্টেট অসিনা মেদল কয়া পুরক্তুনা লাক্লি। নেসনল গেমস অসিদা ষ্টেট খুদিংমক্না কন্না হোৎনদুনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা হায়খি, ফেন্সিং মশান্নদা ষ্টেট অসিনা নেসনল স্কুল গেমস পাঙথোকপা ঙম্বা অসি য়াম্না হরাউবা পোকই। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনসু শান্ন-খোৎনবগী লম্দা শান্নরোয়শিংবু অফবা শান্নরোয় অমা শেম্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগা মরী লৈননা সেবর টিম ইভেন্টতা মহারাষ্ট্রনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা সিলভর অমদি মণিপুর অমসুং হরিয়ানানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# ৱান দে রেঙ্কিংদা কোহলি অমসুং বুমরা মকোক্তা লৈরি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী)ঃ
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মখাদা ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোরকখিবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ভিরাট কোহলি অমসুং জসপ্রিট বুমরা বেট্টিং অমসুং বোলিংগী লম্দা মকোক থোংদুনা লৈরি।

বেট্টিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন ভিরাট কোহলি পূন্না পোইন্ট ৮৯৯ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লিবনি। লৈবাক অসিমক্কী অতোপ্পা বেটসমেন রোহিট শর্ম্মনা অনীশুবা পোজিসন্দা অদুগা ওপনর সিখর ধৱন্না ৮শুবা পোজিসন্দা লৈরি। বোলরশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোলর জসপ্রিট বুমরানা পোইন্ট ৮৪১ ফংলগা মকোক্তা লৈরি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোলর কুলদিপ য়াদব অহুমশুবদা অদুগা অতোপ্পা স্পিনর য়ুসবেন্দর চাহলনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈরি। টিমগী মকোক মথং তাবগী পরিংদনা ইন্দিয়া পোইন্ট ১২১ ফংলগা ইংলেন্দগী পোইন্ট ১২৬ মতুংদা অনীশুবদা লৈরি।

ওইনাম চার্লি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎনা থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎ মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ
শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্না শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎনা থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎ মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি।

কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্কবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্র কাংখূৎনা থোংজু কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৪-১১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা থা অসিগী ১৫দা নম্বোল কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নরগনি।

# ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়নশিপ


ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর জুদো এসোসিএসন্না শীন্দুনা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২৬তগী ২৮ ফাওবা সব জুনিয়র কেদেটস, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র বোইজ এন্দ গর্লসকী ষ্টেট লেভেল জুদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর জুদো এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী জুদো এসোসিএসনশিংনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক শান্নরোয়শিংগী লিষ্টশিং মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নৎত্রগা জোইন্ট সেক্রেটরিদা শান্নরোয়শিংগী মশা মশাগী শরূগী এক্সরেনা চহী লেপ্পগী সার্টিফিকেটকা লোয়ননা থা অসিগী ২৪দা রিপোর্ট তৌগদবনি। মণিপুর জুদো এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌদবা ক্লব নৎত্রগা এসোসিএসনশিংনা ষ্টেট এসোসিএসন্দা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী অকূপ্পা মরোল মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

এম য়ু ইন্টর কোলেজ আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯

# হেলর অমসুং মালেশ্বরিনা ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে





ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটি (এম য়ু এস সী) গী মীৎয়েং মখাদা রিজনেল কোলেজনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ আর্চরি মেন্স এন্দ ৱিমেন্স টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯দা টি ঐচ হেলর অমসুং দব্লিয়ু মালেশ্বরিনা নুপা অমসুং নুপীগী ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা কোলেজ কয়াগী নুপা অমসুং নুপী আর্চর শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী মিটর ৫০+৫০ ইন্দিয়ন রাউন্দ গর্লস ইভেন্টতা ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজকী দব্লিয়ু মালেশ্বরিনা স্কোর ৩০১ তৌদুনা গোল্ড, কোলেজ অসিগী কে ঐচ মালেমঙানবীনা স্কোর ২৭৮ তৌদুনা সিলভর অমসুং বিরমঙ্গল কোলেজকী ঐচ সরজুলাতানা স্কোর ২৭৫ তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০+৫০ ইন্দিয়ন রাউন্দ ইভেন্টতা থৌবাল কোলেজকী টি ঐচ হেলরনা স্কোর ৩২৪ তৌদুনা গোল্ড, কোলেজ অসিগী এল মিলন্না স্কোর ৩০৩ তৌদুনা সিলভর অমসুং কমখ্যা পেমতোন কোলেজকী এল অর্জুননা স্কোর ২৮১ তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০+৫০ কম্পাউন্দ ইভেন্টতা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজকী এস রাজেন্দ্রোনা স্কোর ৩৩৭ তৌদুনা গোল্ড, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী টি ৱেলসন মীতৈনা স্কোর ৩৩৪ তৌদুনা সিলভর অমসুং কোলেজ অসিমক্কী সী এ অজে সিংহনা স্কোর ৩২৮ তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী মিটর ৭০+৭০ রিকর্ভ ইভেন্টতা বিরমঙ্গল কোলেজকী কে এস ঐচ মালেমস্নানা স্কোর ২৮৬ তৌদুনা গোল্ড, পোলষ্টার কোলেজকী টি ঐচ স্বাসিতানা স্কোর ২৬৩ তৌদুনা সিলভর অমসুং ময়ায় লম্বী কোলেজকী এম পনোরমানা স্কোর ২৪৮ তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ইভেন্ট অসিমক্কী নুপাগী কাঙলূপ্তা রিজনেল কোলেজকী এল সমানন্দনা স্কোর ২৯২ তৌদুনা গোল্ড অমসুং মাঙ্গোলঙানবী কোলেজকী থোইথোইবা ওইনামচানা স্কোর ২৭৪ তৌদুনা সিলভর মেদল ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট অমসুং কেটেগোরিশিংদা মকোক মথং তাখ্রবা আর্চর শান্নরোয়শিংদা মেদল অমদি সার্টিফিকেটনচিংবসু খূৎশিন্নখি।




লৈবাক অসিনা মকোক মথংগী পরিংদা চাউনা হাইগৎলক্লি

| | ২০১৭ | ২০১৮ |
|---|---|---|
| ললোল ইতিক তৌবা লায়হনবা | ১০০ | ৭৭ |
| বোর্দর লাল্লগা ললোল ইতিক তৌবা | ১৪৬ | ৮০ |

-ৱর্ল্ড বেঙ্ক গ্রুপ, দুয়িং বিজিনেস ২০১৯গী রিপোর্টকী মতুং ইন্না

হৌখিবা চহী খরা অসিদা ইন্দিয়ন কষ্টমসনা কষ্টমসকী থৌওংশিং অমদি খোঙথাংশিং লায়ন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎখ্রে।

২০১৭ এপ্রিলদগী পায়খৎখিবা শেমদোকপশিং

- চে তিংদবীদা ওনলাইন্দা এপ্লিকেসন থাগৎপা, ঈ-সঞ্চিটনা ললোল ইতিক তৌবা অমদা মখোয়গী কন্সাইনমেন্টশিং অদু লাম্থোক্নবা মরী লৈনবা চে-চাং ইলেক্ট্রোনিক্কী খূৎথাংদা য়াহন্নবা হৌদোকখ্রে। মরম অদুনা তোঙান-তোঙানবা রেগুলেটরি এজেন্সিশিংদা চে-চাংশিং অদুগী হার্দ কোপি পুবগী মথৌ তাদ্রে।
- রিস্ক মেনেজমেন্ট সিষ্টেমগী খূৎথাংদা কান্নহন্দুনা ক্লিয়ারেন্সশিং অদু মতম চঙবা হন্থহনখ্রে।
- দাইরেক্ট পোর্ট দেলিবরি (দি পি দি) না মীরমদগী পোৎ পুশিল্লকপা রেজিষ্টর তৌরবশিংবু টর্মিনেলশিং অদুদা কষ্টমসকী ক্লিয়ারেন্স লোইশিনবা অমসুং কন্টেনরশিং অদু সী এফ এসশিংদা অমুক কোয়থোক্ত্রবসু ফেক্টরিদা অদুমক পুবা য়াহল্লে।
- দাইরেক্ট পোর্ট এন্ট্রি (দি পি ঈ) না মীরমদা থাখিগদবা কার্গোশিং অদু সী এফ এসশিংদা থাজিনবগী মহুৎ পোর্ট টর্মিনেলদা খুদক্তা চঙহনবা য়ারে।
- ওথোরাইজ ইকনমিক ওপরেটর (এ ঈ ও) স্কিমনা কষ্টমসকী ক্লিয়ারেন্স অদু য়াম্না খোঙজেল থুহল্লে অমসুং ললোল ইতিক্কী কাঙবুদসু কষ্টমসকী থবক থৌরমশিং অদু লায়হল্লে। ললোল ইতিক্কী লূপ ১৭০০ হেনবদা খুদোংচাবা অসি ফংহনখ্রে।
- বিল ওফ এন্ট্রি মেনশিনবা অদু অকক্নবা মতমদা তঙাইফদবা ওইহনবদগী ললোল ইতিক্তা মওং-মরীল তারক্লে অমসুং মীরমদগী লৌশিল্লকপা পোথোকশিংগী মতম হন্থহল্লে।
- মমাঙদা দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংনা য়েংশিল্লগা সিল তৌরম্বা খোঙথাং অদু তোকথোক্তুনা কন্টেনরশিং অদু ঈ-সিল্লিং তৌবা য়াহনখ্রে। মসিনা কার্গোশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওহন্দ্রে। মরমদি হৌজিক কন্টেনরশিং সিল তৌবদা আর এফ আই টি টেম্পর প্রুভ ঈ-সিল শীজিন্নরে।

২০১৭ এপ্রিলগী মাঙওইননা পায়খৎখিবা শেমদোকপশিং

- সিঙ্গল ৱিন্দো ইন্টরফেস ফোর ফেসিলিটেটিং ত্রেদ (এস দব্লিয়ু আই এফ টি) না মরুওইবা গভর্ণমেন্টকী এজেন্সি ৬কী এন ও সী পীবগী থবক কোমথোকহল্লে অমসুং ইম্পোর্টর অমসুং এক্সপোর্টরশিংদা মখোয়গী ক্লিয়ারেন্স দোক্যুমেন্টশিং অদু ওনলাইন্দা পোইন্ট অমখক্তংদা থাগৎপা য়াহল্লে।
- ইম্পোর্ট/এক্সপোর্টকীদমক্তা হান্না চঙলম্বা দোক্যুমেন্ট ১০দগী হৌজিক অহুমদা হন্থহল্লে। মখোয়শিং অদুদি বিল ওফ লেদিং/এয়রৱে বিল, কম্মর্সিএল ইনভোইস-কম-পেকিং লিষ্ট অমসুং সিপিং বিল/বিল ওফ এন্ট্রিনি।
- কষ্টমস দ্যুটিদা শেল পীবগী মওং অদু 'ক্লিয়র ফর্ষ্ট-পে লেটর' হায়বা প্রিন্সিপলদা ফংহল্লে। মসিনা রাফতগী ৱেয়র হাওস ফাওবা ৱাদনা পোথোক পুথোকপগী মতম নংহন্নবগী পাম্বৈ ওইহল্লে। হৌজিক এ ঈ ও টি - ২ নৎত্রগা টি - ৩ ষ্টেটস ফংবা ইম্পোর্টরশিংদা খুদোংচাবা অসি য়ৌহল্লে।
- ফেসিলিটেটেদ বিলস ওফ এন্ট্রি অমসুং ফ্রী সিপিং বিলসকী মখাদা পোৎলমশিং পুরকপা অদু মখোয় মখোয়গী সী পোর্ট অমসুং এয়র কার্গো কমপ্লেক্সতা ২৪X ৭ কষ্টমস ক্লিয়ারেন্স লৈহন্দুনা লায়হল্লে।
- নেসনল কম্মিটি ওন ত্রেদ ফেসিলিটেসন (এন সী টি এফ) অসি য়াম্না থুনা অমদি মরীক চুম্বা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা সিষ্টেমনি। মসিগী থাক অহুম খাইদোক্লিবা মচাকশিং অমদি তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্টকী এজেন্সিশিং অমসুং ললোল ইতিক্কী লম্দগী লাকপা মীহুৎশিং য়াওরিবা বোর্দ অসিনা পোথোকশিং অদু থাদোক থাজিনগী থবক অদু লুরম্বদগী লায়হন্দুনা খোঙজেল য়াঙহল্লে।
- কষ্টমস ক্লিয়ারেন্স ফেসিলিটেসন কম্মিটিজ (সী সী এফ সীস) সি চীফ কম্মিস্নর ওফ কষ্টমস/কম্মিস্নর ওফ কষ্টমসনা চ্যেরমেন ওইরগা শেমখিবনি। সী সী এফ সীশিংনা পোথোক পুশিল্লকপা অমসুং পুথোকখিবগী অয়াবা পীবা অমদি তোঙান তোঙানবা সীপোর্টশিং, এয়রপোর্টশিং, আই সী দিস অমসুং এল সী এসশিংগী পেন্দবশিং অদুগী মতেং পীরি।

ৱর্ল্ড বেঙ্কনা পীথোরকপা দুয়িং বিজিনেসকী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টতা কষ্টমসনা মথক্তা পনখ্রিবা শেমদোকপশিং অসিগী মহয় অদু পোথোক পুশিল্লকপা অমসুং পুথোকখিবগী মতাংদা মমল অমসুং মতম হন্থবা অদুনা ময়েক শেংনা উৎলি।

- মুম্বাইদা পোথোক থাদোকখিবগী ওইনা কষ্টমসনা ক্লিয়ারেন্স পীবা অসি পুং ৩৪দগী শুপ্নগী ১২দা হন্থখ্রে। অদুগা পোৎ পুশিল্লকপগী মতাংদনা য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা পুং ৭১দগী পুং ২৪দা হন্থখ্রে।
- পোর্ট/বোর্দর এজেন্সিশিংনা মতম লৌবা অদুসু হন্থরে। হৌজিক পোৎ থাদোকখিবগী ওইনা অপূনবা ক্লিয়ারেন্সকী মতম অদু পুং ৫৪নি অদুগা পোৎ পুশিল্লকপগীনা পুং ১০২নি (মুম্বাই)

ইম্পোর্টর অমসুং এক্সপোর্টরশিংনা মখোয়গী দোক্যুমেন্টশিং অমদি কন্টেনরশিং অদু ৱেবসাইট ICEGATE তা ত্রেক তৌবা য়ারগনি।

- www.icegate.gov.in দা কার্গোশিং অদু নভা সেভা, হজিরা অমসুং মুন্দ্রা পোর্টসকী ওইনা "ত্রেক য়োর কন্টেনর" কী খুদোংচাবা শীজিন্নদুনা কন্টেনরশিং অদুগী লৈফম খঙদোকপা য়ারে।
- ICEGATE ৱেবসাইটতা লোগ তৌদুনা বিল ওফ এন্ট্রি নৎত্রগা সিপিং বিল অদুগী খুদক্তা লৈবা ষ্টেটস অদু খঙদোকপা ঙম্লে।
- কষ্টমসনা নেপাল তম্না পুখিগদবা কার্গোশিং অদু ইলেক্ট্রোনিক্কী মতেংনা ত্রেকিং তৌবগী থবক হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন কষ্টমস - অথুবা অমসুং পন্দবা লাংলোন ইতিক্তা মায় ওনশিল্লিবা

সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস
www.cbic.gov.in, www.icegate.gov.in

davp 15502/13/0066/1819

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com